ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO®
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

PRIDE MONTH

ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎ, ইম্ফাল ইষ্ট দি সী অমদি সী এম ওগী মীৎয়েং মখাদা য়ু ৱাই এল এ, পোরোম্পাৎ থৱান থাবনা শীন্দুনা মাস টেষ্টিং অমদি ভেক্সিনেসন তৌখিবা

সুগুনু এ সীগী সী ঐচ আই সী অমদি কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা মতেং পাংখ্রে
☛ লামায় ২

য়ুনাইটেদ মৈতৈ সোসাইটি, আসামনা তেংবাংলি
☛ লামায় ৩

ওল মণিপুর আর্টিষ্ট রিলিফ কম্মিটি শেমখ্রে
☛ লামায় ৫

লায়রবগী চেঙদা স্কাম তৌবা কাঙলুপ অমা লৈরে
☛ লামায় ৬

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা শূফম নোমফম খঙদনা পাৎশোই এ সীগী মনুং চন্না কন্টেনমেন্ট জোন্দা লৈরিবা ইমুংশিংদা আর কে রামেশ্বরনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবা

Vol. 45, Issue No. 081 | য়ুমশকৈশা, ইঙাগী ৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, June 16, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা মণিপুরগী য়ুরিয়া বেগ লিশিং কয়া মপু পান্দবগুম নোংখাঙ চায়দুনা লৈরে

ইম্ফালদনা লৌমীশিংনা বেগ অমদা লুপা ৬৫০দগী ৭০০ ফাওবা পীদুনা লৈনরে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : চহী খুদিংগী কুমগী নোং লাক্কুনা লৌরোক পান্থা হেক য়ৌরকপগা ৱাথোক ওইদুনতা লাক্লিবা লৌমীশিংনা শীজিন্নগদবা হারশিংগী মনুংদা মরুওইরিবা য়ুরিয়া মতম চানা ফংদবা অমসুং মমল তাঙনা লৈবগী থৌদোকশিং অদু হন্দক চহীদসু থোকপা হৌরক্লিঙৈগী চৈরক্তা মণিপুর পূন্বগী ওইনা পুশিল্লক্কদবা য়ুরিয়া বেগ কয়া জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা মপু পান্দবগুম নোংখাঙ চায়দুনা লৈরে।



জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনগী লৈমায়দা পৈদুনা থম্লগা তর্পোলিন মচা-মচা খরনা থুংদা-নমদা কুপ্পুনা থম্বদগী মফম অদুদসু নোং চিফেৎ চিফেৎ চুশিল্লকপদগী শীজিন্নবা য়াদনা পুল্লপ মাঙবগী ফিভমদা পৈদুনা থম্লক্লিবা য়ুরিয়া বেগশিং অদু মেট্রিক টন ১৮,৭৬০ রোমগীনি হায়রি। আসামগী ফর্টিলাইজর কম্পেনিদগী মহৌশাগুম্না মণিপুরগী ওইনা চহী অমগী ক্বোটাদা মেন্যুফেকচরর কম্পেনিনা পীরক্কদবা অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টনা চিংলুগদৌবা ক্বোটাসি মেট্রিক টন ২০ লোমনি। হৌজিক ফাওবদা চিংশিল্লক্লিবশিং অসিনা কুমসি চহীগী ওইনা পুন্না ট্রিপ তরেৎলক চিংগদবদা অনীরকখক্তমক চিংলিবনি। মখা তানা চিংগদবা ট্রিপ মঙারক ৱাৎলিবনি। অদুবু ট্রিপ অনীখক্তমক চিংবা হৌরক্লবসু মণিপুরগী লৌমীশিংনা শীজিন্নগদবা য়ুরিয়াশিং অসি পুশিল্লক্লগা থম্ফম লৈতবদগী জিরিবামগী রেলৱে ষ্টেসনদা পৎতুনা থমজিল্লকপনি হায়রি।

জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী পৈদুনা থম্লক্লিবা য়ুরিয়া বেগশিং অসিগী মতাংদা মণিপুরগী এগ্রিকলচরেল দিপার্টমেন্টতগী ফংবা পাউগী লীখুন অমনা হায়বদা, হৌজিক্কী ওইবা রবি ক্রোপকী ওইনা মণিপুরগী লৌমীশিংনা মথৌ তারিবা শীজিন্নগদবা য়ুরিয়াগী চাং অসি টন ২৬৮০ রোমনি। কুম্জা ২০১৬কী অরোয়বা শরুক্তগী হান্না ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মাপলখক্তমক লৈরম্বা অদু হৌজিক্তি পুন্না দিষ্ট্রিক্ট ১৬ শুরবনি। মরম অসিনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা দিষ্ট্রিক্ট পুন্নমক্কী এগ্রিকলচর ওফিসর (এ ও) অমমম থম্বীবগা লোয়নননা দিষ্ট্রিক্টশিং অদুগী লৌমীশিংদি মথৌ তাবা হারগী মশিং থম্না চনবা গোদাউন অমমমসু থম্বীগদবনি হায়রি।

অদুবু, হৌজিকমক্কী ওইনা এগ্রিকলচর গোদাউন লৈরিবসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা-লম্ফেলখক্তনি। অদুগা ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমদি চুরাচান্দপুরগী ওইনদি এগ্রিকলচর গোদাউনশিং শাগৎপগী থবক চথুরিবনি। মপুঙ ফানা লোইশিন্দুনা খুদক্তগী হারশিং থম্বা য়াবগী ফিভম লৈত্রিবনি। দিষ্ট্রিক্ট পুন্নমক্তা এগ্রিকলচর ওফিসর মশিং শুনা লৈতবগী মথক্তা মণিপুরগী অপুনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদা ১২গীদি হৌজিকফাওবা এগ্রিকলচর গোদাউন লৈত্রি হায়রি।

অমরোমদা, চৎলিবা লৌরোক পান্থা অসিগী ওইনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী লৌমীশিংদা য়ুরিয়া বেগ অমদা লুপা ২৮৬.৮০দা

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

পি এম এ জি ৱাইগী শেল লান্না শীজিন্নরে হায়দুনা হায় কোর্টতা ৱাকৎলক্লে

রেস্পোন্দেন্ট ৭তা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা সেলেক্সন য়র-২০১৯-২০২০গী ওইনা প্রধান মন্ত্রি অদর্স গ্রাম য়োজনা (পি এম এ জি ৱাই) স্কিমগী য়াল্লবা শেনফম অমা রিলিজ তৌরকপদগী সেঙ্কসন ওর্দরনচিংবা ফংদুনা কায়থোকখ্রবা মতুংদা স্কিম অসিনা মরুওইনা থাঙ্গ পার্ট-১গী করাং অমসুং চম্পুখাংপোককী হেল্থ সেক্টরগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎফম থোকপদা শেমগৎতনা শেনফম খরা মিসএপ্রোপ্রিএসন তৌখ্রে হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলক্লে।

লান্না শীজিন্নখ্রে হায়দুনা চার্জ তৌরক্লিবশিংগী মনুংদা বিষ্ণুপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার, থাঙ্গ পার্ট-১গী প্রধান অমসুং গ্রাম পঞ্চায়ট অমদি ৱার্দ নম্বর এ, বি অমসুং সীগী ৱার্দ মেম্বরসু য়াওরি। মরম অদুনা মখোয়গী মথক্তা সী বি আইগুম্বা ইন্দিপেন্দেন্ট ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী অমনা থিগৎহনবগা লোয়নননা ইলিগেল এনকেসমেন্ট তৌবদা চেন্নবশিং অদু মণিপুর পব্লিক সর্ভেন্টস পার্সনেল লাইএবিলিটি এক্ট, ২০০৬কী সেক্সন ৪ অমসুং ৫ অমসুং মণিপুর পব্লিক সর্ভেন্টস পার্সনেল লাইএবিলিটি রুল্স, ২০০৬কী রুল ৪, ৫ অমসুং ৬কী মখাদা ফাবগা লোয়নননা এক্ট অসিগী সেক্সন ৭ অমসুং রুল ৭কী মতুংইন্না হায় পাৱর কম্মিটি অমা শেমদুনা থিগৎহনবিয়ু হায়জরকখিবনি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎ অসি থাঙ্গ করাংদগী হৌজিক্কা ঘড়ী অৱাং লৈকায়দা লৈরবা করাং আইলেন্দ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (কিদো)গী এদভাইজর হাওবিজম গিটাজেন মৈতৈ (৪০) অপোকপা ঐচ লুখোই মৈতৈনা পিটিস্নর ওইদুনা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) ওইনা ফাইল তৌরকখিবনি। পি আই এল অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ এমপাৱরমেন্টকী সেক্রেটরি, মণিপুর লৈঙাক্কী সোসল

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

নোংমৈ পায়বশিংনা শেল মুনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): ঙসি নুংথিল পুং ৩ লোম তারকপদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকা লোন্নবা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা ছোটোবেক্রাগী ফাইলেন্থাং বাজারদা লৈঙাক্কা সু তৌনবনি চিংনবা য়ু জি গ্রুপ অমগী এ কে ৪৭ অমদি এম ১৬নচিংবা পায়বা মীওই ৬ জিপ (ক্রুইজর) অমদা লাক্লগা মফম অদুদা দুকান ফল্লিবা মীওইশিংদগী নোংমৈ চীন্দোনদা লাউ খোংদুনা শেল কয়া মুন্দুনা পুখ্রে হায়রি।

সী এমগী রিলিফ ফন্দদা দোনেট তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টরগী কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা লেপ্তুনা দোনেট তৌনরকপগী মখা তারকপদা চুরাচান্দপুরগী লমকা কোলেজগী প্রিন্সিপাল অমসুং টিচিং ষ্টাফনা লুপা ৫৭,৭০০, এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী সেক্সন ওফিসর খুন্দ্রাকপম বিজয়না লুপা ১০,০০০, এম/এস সাইখোম ট্রেক্টর সেল্স এন্দ সর্ভিস সেন্টরগী প্রোপ্রাইটর সাইখোম ননাউনা লুপা ৫০,০০০, কৈরাউ বিত্রদগী লাইশ্রম অরুনানা লুপা ১০,০০০, লম্ফেল পাৎকী আই সী এ আর এমপ্লোয়িজ ৱেলফেয়র সোসাইটিনা লুপা ৫০,০০০, মোটবুংগী প্রসিদেন্সি কোলেজগী ষ্টাফশিংনা নোংমগী তোলোপ লুপা ১,৬৫,০০০ অমসুং ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি অমদি ষ্টেট ঈ-মিসন টিমনা ওক্সিমিটর ১০০ দোনেট তৌরক্লে হায়রি।

আই এম সী দিজোল্ব তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): মহুদ দিপার্টমেন্টনা ঙরাং থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল (আই এম সী)গী চহী ৫গী টার্ম মপুঙ ফাবদগী মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিজ এক্ট, ১৯৯৪গী প্রোভিজন অমসুং এমেন্দমেন্টশিংগী মতুংইন্না দিজোল্ব তৌরে হায়রি। লোয়নননা, ঙসিদগী অনৌবা কোর্পোরেসন লিংখৎত্রিবা ফাওবা নৎত্রগা থা ৬ কী ওইনা মহুদকী দিরেক্টরনা এদমিনিষ্ট্রেটর ওইরগনি হায়রি।

এগ্রিকলচরগী মরুওইবা শীংনবশিং কোকহন্নবা গভর্ণমেন্টনা হোৎনরি : চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : গভর্ণমেন্টনা ইরিগেসন পোটেন্সিএল য়ুটিলাইজেসন অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতীক চাদবদগী মণিপুর অমসুং নোর্থ ইষ্ট রিজনদা থোকহল্লকপা লো প্রদক্টিভিটি অমসুং স্মোল হোল্ডিংসনচিংবা এগ্রিকলচরগী মরুওইবা শীংনবশিং অসি কোকহন্নবা থবক লেপ্তুনা পায়খৎলি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ইন্দিয়ন কাউন্সিল ফোর এগ্রিকলচরেল রিসার্চ, নোর্থ ইষ্ট হিল রিজন, মণিপুরনা শীন্দুনা 'পোটেন্সিএল ক্রোপ্স ওফ নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া: প্রোস্পেক্টস এন্দ চেলেঞ্জেস' হায়বা টোপিককী মখাদা ঙসি পাঙথোকখিবা নেসনল ভর্চ্যুএল ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অসিগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, খেন্নবা সোইল মখল অমসুং নোং মরাঙ কায়না চুবগা লোয়নননা লৈরিবা এগ্রো-ক্লাইমেটিক কন্দিসনশিং অসিনা মরম ওইরদুনা এগ্রিকলচরনা মণিপুর অমসুং নোর্থ ইষ্ট রিজনগী মীয়ামগী অয়াম্বা শরুক্কী মরুওইবা শিনফম ওইরি। মসিদগী শীংথানিংঙাই ওইরবা এগ্রিকলচরেল অমসুং হোর্টিকলচরেল প্রদক্টশিং অমদি মমল য়াম্লবা পোথোকশিং লৈবাক অসিগী মনুংদা অমসুং লৈবাক অসিগী মপান্দা থাদোকপা ঙম্লি হায়খি।

হৌজিক পোথোকশিং অদু হেন্না পুথোকপদগীদি মগুন লৈবা চিঞ্জাক, হকচাংদা কান্নবা অমসুং অহাউবা চীঞ্জাক পুথোকপদা দিমান্দ হেন্না লৈরক্লিবনা মসিগীদমক অনৌবা টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নদুনা ক্রোপ দাইভর্সিফিকেসন তৌগদবনি হায়খি।

ঙসিগী ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ও লুখোই অমসুং লোয়শঙ অসিগী কম্মিস্নার এম জয়সু গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

কম্মিসননা দি জি পিদা রিপোর্ট পীখৎলক্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : মিংশেল ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্ট জেলিনা অসেমনা পিটিস্নর ওইদুনা 'কংলৈ ইমাগী' হায়বা ৱাহৈনা হৌবা নাতে চাদবা ফেসবুক পেজ অমগী মায়োক্তা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)দা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমগী মতুংইন্না কম্মিসননা কমপ্লেন্ট কেস নম্বর ৭৪ ওফ ২০২১ লৌখৎলগা খন্নখ্রে।

ঙসি কম্মিসনগী এক্টিং চেয়রপার্সন খাইদেম মনিগী কোরমনা চথুখিবা প্রোসিদিংদা মেটুর অদুবু খন্নখিবগা লোয়নননা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামদা এপোলোজি তৌগদবনি হায়দুনা কোংগ্রেসনা দিমান্দ তৌরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী প্রসিদেন্ট গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ঙসি ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমদা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লেম্না চেঙ পীবা, লেম্না হীদাক লাংথকশিং অমসুং কোভিদ ভেক্সিনশিং মীয়ামদা পীবগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরদুনা পার্টি অসিগী মায়কৈদগী হৌজিক কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্লরিবা তাঞ্জা অসিদা ষ্টেট অসিগী লাইরবা মীয়ামদা মিনুংশি খঙদবা ৱাহৈ শীজিন্নখিবা অমসুং ঙাকপিফম থোক্তবা অদুগীদমক চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামদা লাল্লে হায়জগদবনি হায়বগী দিমান্দ তৌরক্লি।

চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু বি জে পিনা লায়রবা মীয়ামদা থম্বা পার্টি অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং পোলিটিকেল প্রিন্সিপল অদু মপান থোক্লকপনি হায়রদুনা ৱাফমশিং অদুদা কোংগ্রেস পার্টিদি অঙকপা পোক্তে হায়রি।

মহাত্মা গান্ধীবু ইকাইখুম্নদবা মীওইশিংনা লায়রবা মীয়াম্বু ইকাইখুম্নরোই হায়বসি কোংগ্রেসনা খঙই। বি জে পিনা মহাত্মা গান্ধীবু ইকাইখুম্নরগদি পার্টি অসিগী চীফ মিনিষ্টরনা অসিগুম্বা ৱাফমশিং অসি হায়রকফম থোক্তে হায়রি। ৱাফমশিং অসিগা ইরোইননা কোংগ্রেস পার্টিনা ষ্টেট অসিদা চহী ১৫ লৈঙাক পায়রিঙৈদা করি-করি তৌরম্বগে হায়বা ৱাফমসু পল্লদুনা কোংগ্রেসকী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবিগী লৈঙাক্তা হৌজিক চীফ মিনিষ্টর

...মখা লামায় ৩ কলম ২

নাতে চাদবা ফোটো, ভিদিও থাগৎপা ৱাটসএপ গ্রুপকী এদমিন পুলিসনা ফারে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : গ্রুপকী মমিং ফাওবা 'কংলৈ ইমাগী' হায়দুনা হৌরগা অকাম্বা ৱাহৈশিং শীজিন্নদুনা শেম্বা মেম্বর ২৫৫ লৈবা ৱাটসএপ গ্রুপ অমগী এদমিনগী মথক্তা লাকখিবা কমপ্লেন্টশিংদগী পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলগা মহাকপু ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ রোম তারকপদা ফাগৎখিবগা লোয়নননা নুমিৎ ৫নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রে।

পুলিসনা ফারবা লমহেনবা এদমিন অদুগী মমিং খানচুই মাংকুং (২৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা জেনাথন এন কৌই। কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী সোরবুং ভিলেজদগী হৌজিক্কা ন্যু চেক্কোনগী মফম অমদা লৈবনি হায়রি। মহাক্না এদমিন ওইবা ৱাটসএপ গ্রুপ অসিদা নাতে চাদবা ফোটো, ভিদিও চাইল্ড পোর্নোগ্রাফিগী ভিদিওনচিংবা অপলোদ তৌবগা লোয়নননা নুপীমচাশিংগী দিমান্দ অমসুং সপ্লাইগী মতাংদসু চেট্টিং তৌবগী থবকশিং চথুরকখিবনি হায়রি। মহাক্কী থৌওংশিং অসিদগী ইম্ফাল ৱেষ্টকী সাইবর ক্রাইম য়ুনিটকী সব ইন্সপেক্টর কে অভিজিৎনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা রিপোর্ট তৌরকপদগী ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎখি। কেস অদু ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি এক্টকী সেক্সন ৬৭-এ, ৬৭-বি অমদি আই

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

পোজিটিভ কেস ৭৮৫ থেংনখি, মীওই ৮ লৈখিদে, মীওই ৪৭৬ ফরক্লবসু এক্টিভ কেস ৮,৭৪৪ লৈরি

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুর গভর্ণমেন্টকী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ত্রোল রুমনা ঙরাং থোরকখিবা চেরোলগী মতুংইন্না ঙরাংগী ওইনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস ৪৫৯ থেংনখি হায়খ্রবসু ঙসিদি অমুক হেনগৎলক্লুনা পোজিটিভ কেস ৭৮৫ থেংনখিবগা লোয়নননা মীওই ৮ লৈখিদ্রে, অদুগা ঙসি ফাওবগী ওইনা এক্টিভ কেস মশিংনা ৮,৭৪৪ শুরে হায়রি।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ত্রোল রুমগী চেরোলগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা পোজিটিভ কেস মশিং ৭৮৫ থেংনখি। মসিগী মনুংদা কেস ৭৭২না জেনরেল পোপ্যুলেসনদগীনি অদুগা লেমহৌরিবা কেস মশিং ১৩না সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পার্সনেলশিংনি। পোজিটিভ ওইখিবা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওইশিং অসিগী মনুংদা নুপা ৪০৮নি অদুগা নুপীনা ৩৬৪নি হায়রি। পোজিটিভ কেসশিং অসি থেংনখিবা টেষ্টিং সেন্টরশিংনা রিজনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)তা ৩২, জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)তা ১৩, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৫০০ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা কেস মশিং ২৪০ থেংনখিবনি হায়রি।

ঙসিগী ওইনা পোজিটিভ ওইখিবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা য়াওরিবশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী ১১৪, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৩০৯, থৌবাল ৬২, বিষ্ণুপুর ৬২, ককচিং ৫২, উখ্রুল ২০, চুরাচান্দপুর ৬৫, চান্দেল ১৪, সেনাপতি ১১, টমেংলোং ২২, তেংনৌপল ১, কাংপোকপী ২, জিরিবাম ৩৪ অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৪নি হায়রি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগীদমক মাঙজৌননা লৌখৎফম থোকপা মথৌ তাবা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ট্রেসিংনচিংবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

লুপা লাখ ৭৫ রোমগী ব্রাউন সুগর ফারে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি, টি ঐচ বিক্রমজিৎকী লমজিং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এদিসনেল এস পি (ওপরেসন্স) টি ঐচ কৃষ্ণতোম্বীগী কম্মান্দ মখাদা কম্মান্দোগী এসিষ্টেন্ট সব-ইনস্পেক্টর দল্লিয়ু রোন্নিনা লুচিংবা টিম অমনা ঙরাং নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা তোঙান তোঙানবা সাপোন কেপ ২৯ অমসুং সাপোন কেপ ১দা হাপ্লগা পুরকখিবা লুপা লাখ ৭৫ রোমগী মমল ওইগদবা ব্রাউন সুগর অমদি হিরোইন পাউদর

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা	৩২.৭৩ °C
খ্বাইদগী ঈংবা	১৭.১৯ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.২৮
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

HL Poll

Q: Covid-19 pandemic mayoknaragasu loumeesingda ahongba mamalda matam chana har fanghanfam thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Meepum tingna covid vaccine kapthokpa ngamnabagidamak private hospitalsingdasu hidak fanghanbana achumba khongthang oiroidra?

Yes 82% No 18%

অস! লোইরেহে!

- নোংসি তানি তানিদমক হায়, তাদি সুকতা তাদে তৌরিসে?

- ꯅꯣꯡꯁꯤ ꯇꯥꯅꯤ ꯇꯥꯅꯤꯗꯃꯛ ꯍꯥꯏ, ꯇꯥꯗꯤ ꯁꯨꯛꯇꯥ ꯇꯥꯗꯦ ꯇꯧꯔꯤꯁꯦ?



- তানি হায়রগা তারোইদবা, তারোই হায়রগা তাগদবনি তাধন।

- ꯇꯥꯅꯤ ꯍꯥꯏꯔꯒꯥ ꯇꯥꯔꯣꯏꯗꯕꯥ, ꯇꯥꯔꯣꯏ ꯍꯥꯏꯔꯒꯥ ꯇꯥꯒꯗꯕꯅꯤ ꯇꯥꯙꯟ॥

লোইতাং খুল্লেনদদি টোটি ঈশিংসু, জল জিবন মিসনসু মশক খঙদ্রি

বিজয় লাইশ্রম

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ময়োলদগী শুপ্নতগী অৱাং নোংচুপতা কিলোমিটর ১৬ লোমদমক লাপ্পিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লমশাং এসেম্বলি কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা লোইতাং খুল্লেনদদি হৌজিক ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ুমথোঙ খুদিংদা ঈশিং পীবগী 'হর ঘর জল' পাঙথোক্লগনি হায়রিবা 'জল জিবন মিসন'দি লায়রদনা টোটি ঈশিং ফাওবা মশক খঙদ্রি।

ঙসিদগীনা চহী ১০ রোমগী মমাঙদা শন্দম নিংথৌ চীংদা মফম অসিগী মীয়ামদা থক্নবা ঈশিং পীগনি হায়দুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী পব্লিক হেল্থ এঞ্জিন্যিরিং দিপার্টমেন্ট (পি ঐচ ঈ দি)গী মখাদা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অমা শাবা হৌগৎলম্লগা হৌজিক ফাওবা লোইশিন্দবদগী মফম অসিগী মীয়াম্না চহী কয়াগী মমাঙদগী টোটি ঈশিং উবা ফংলগনি হায়দুনা মঙজরকখিবা মঙলান মঙফাওনদ্রি। মরম অসিনা মফম অসিগী মীয়াম্না অথুবা মতমদা লোইশিন্দনা লৈরিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসিগী থবক থৌরমশিং মপুঙ ফানা লোইশিন্দুনা মফম অসিগী মীয়ামদা টোটি ঈশিংগী মশক উবা ফংহনবিয়ু হায়রি।

লোইতাং খুল্লেনদা টোটি ঈশিং ফংদ্রবসু খুল অসিগা থংননা লৈরিবা সেকমাই এসেম্বলি কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা খুল অয়াম্বগী মীয়ামদি মতম কয়াগী মমাঙদগী টোটি ঈশিং থকপা ফংনখ্রবনি হায়রি। লোয়নননা, লোইতাং খুল্লেনগী মীয়ামদি ঙসি ফাওবদা চান-থক্লবদা শীজিন্নরিবা ঈশিং লৈদুনা শীজিন্নরি।

অমরোমদা, খুল অসিদগী বিরেন পেচিময়ুম কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা ময়াং লাংজিংদগী ফৈদিংগা ফাওবগী কিলোমিটর ৫/৬ লোমদমক শাংবা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

মোরেদা চহী ৮গী নুপীমচা অমবু ইকাইখুম্নবা মাঙহনবীখিবা থৌদোক কন্দেম তৌই : লুপশিং

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : চৎলিবা থা অসিগী ১০দা মশাগী চহী ৮ খক্তং ঙায়রিবী নুপীমচা অমবু নমজা নমথেক্লদুনা নুপী ওইবীগী ইকাইখুম্নবা মাঙহনবীখিবা মোরেগী থৌদোক অদুবু মহৈরোয়শিংগী লুপশিং ওইরিবা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু), মণিপুরি ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ), দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইন্স ওফ মণিপুর, কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ), ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক) অমসুং অপুনবা ইমাগী মহৈরোয় শীনপাং লুপ (এইমস)কী মায়কৈদগী য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়নননা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়রি।

মহৈরোয়শিংগী লুপ ৬ অসিগী প্রসিদেন্টশিংনা পুন্না খুৎয়েক পীদুনা থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়, থৌদোক অদুদা হকথেংননা চেন্নরিবা মাংমিনলান তৌথাং (মোরে ৱার্দ নম্বর ২) অসিবু মীয়াম খঙনা চপ-চাবা চৈরাক পীয়ু। অমদি অচুম্বা ৱায়েল অথুবদা ফংহনবিয়ু হায়রি। মরী লৈনবশিংগী মায়কৈদগীসু মতম চানা চার্জ শিট থাগৎপিদুনা কেস অসি অপনবা য়াওদনা লোইশিন্নবা হোৎনবিয়ু হায়নসু আপীল তৌরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, নুপী ওইবীগী ইকাইখুম্নববু ঙাক্লা চৎপগী মহুত্তা মসিবু করিসু লৈতনা উরকপা অসিবু নুপী ওইবীশিংগী মাঙজবতা নত্তনা লৈবাক মীয়ামগী মাঙজবনি। অসিগুম্বা শারমচৎ চৎপদা চেন্নরিবা মীওই অসিবু প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্স (পোক্সো) এক্ট, ২০১২গী মখাদা লৈঙাক্লা অকনবা চৈরাক পীবিয়ু। অমদি নুপী ওইবীশিংবু ঙাকপী শেনবীবগী মহুত্তা নুপীশিংবু পাঙ্গল শোল্লী হায়দুনা তুহৎপীবা অমদি নমজা নমথেক্লবীবা অসিবু মীওইবা খুন্নাইদা অচৌবা মাঙজবদা নত্তনা খুন্নাই অসিবু মূৎপা য়াবগী ফিভমনি। মীওইবা ঐখোয়না থৱায় পানবা অতোপ্পশিংদগী শিংই হায়দুনা লৈরিবা ঐখোয়বু শা ওইবগী ৱাখল খল্লকপা অসি লাইবক থীবনি। অসিগুম্বা নুপী ওইবীশিংদা ইকাইখুম্নবা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫